# লাই খুনদিন লাল্লুপ অমসুং চৈরাওবা

হুইদ্রোম ইনাও

অপোকপা মরুপ, ঙাইরাংবম, ইম্ফাল ৱেষ্ট

***মালেমগী*** অচৎ-চত্তা, লেঙলি-পাল্লিবা থৱায় পানবশিংগী মরক্তা মতমগী খোঙচৎনা অতৎ-অকাং লৈতনা চেন্থরক্পনা, উপান-ৱাপান, হৈপান-লৈপান ফাওবা, কয়াৎ-কাংলোন ওল্লক্তুনা, য়েনিংথা-নাকেন্থা হায়দুনা তাইবঙ পান্দা শকফম ওন-ওন্দুনা উনরি। অসুন্না মতমগী পিবুকনুদা লৈরিবা লেঙলি পাল্লিবা খুদিংমক্না মশা-মশাগী হৌরকপা শক্তমদগী তাঙ্কক কয়া থোক্লা শকলোন হোংখিদুনা মালেমগী লৈতেং ওইবা ঙমলিবসি, মতমগী অঙকপা ময়াইনি। তাইবঙ পানবসি মতমগী ময়াইনা পোকপিবনি অমসুং লানবিবনি, মতমনা লাইনি। মরম অসিনা মালেমগী লৈমাইদা খুন্দা-লৈতাদুনা হিংমিন্নরিবা, মীওইবা খুন্নাই খুদিংমক্না মাগী-মাগী মরোন মনাৎনা ফংবা মাইওলদা মতমগী মপুং ফাবা নুমিৎ অমবু লৌদুনা মালেম খোঙচৎকী চুক্তা, ইরাৎ থৌরম তৌদুনা মতম মাবু ইকায় খুম্নবা উৎনরি।

থৌরম অসি মীতৈ খুন্নাইগী ওইনদি লোনগী ওইবা মহৈনা, চৈরাওবা হায়না খ্বায়না খঙমিন্নরে। চৈরাওবা হায়বদি চহি হৌবা হায়বনি, অহৌবা অরোইবা নাইবা মরমনা, চহিগী অরোইবা মালেমগী খোঙচৎতা নুমিৎ মশিং শুবা নুমিৎপু, মীতৈনা লাই খুন্দিন লাল্লুপ হায়না খঙনৈ। থৌরম অনি অসিদি মালেম লৈমা ইমা অমসুং তাইবঙ পানবা অনিগী অথুপ্পা ৱাঙুলোনগী পুক্কৈনি। মালেমগী ফুরুপ খুদিংমক্কী ওইনসু মাগী-মাগী মরোল মনাৎনা ফংবা মিংথোল পীদুনা পাঙথোক্লবা ঙাক্তনি। মালেমগী মফম অমগা অমগা নুমিৎ থোকপা অমসুং তাবগী মতম খেন্না ফংবনা, মফম মফমদুগী খঙ হৈরবা শন্দোংলোন শুবশিংনা চহী হৌবগী মতম অসি খেন্না পুথোকনৈ মসি খ্বাইনা য়ান্নরবা ৱাফমনি।

মালেমগী মীওইবা ফুরুপ কয়াগী খেন্নবা কয়া লৈরবসু মীতৈ লৈপাক্কী ওইনদি, ইপা-ইপুশিংগী ৱাঙু লোন্না চৈরাওবা হায়বা থৌরমসি লাকপা মতমদা লাই খুনদিন লাল্লুপ হায়বা থৌরম অসিসু থাদোকপা ইয়া য়াদনা লাক্লি। থৌরম অসিবু কাউথোকলুবা মতমদা, মালেমশিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্তগী থোইনা হেন্না ৱাংলবা পুৱারীগী লিখুন লৈরে হায়না চাওথোকচরিবা মীতৈ ফুরুপ অসি ঐখোয়গী মালেমদা কাখুল ফাওবা লৈরমদে হায়বগা পাংখক ওইরগনি। মসিগী লেঙদবা চুক্তি লাইওইখ্রবা লাইপোক লাইনিংহল ইবুঙো ফুলোনা (ফুন্দ্রে) শীজিন্নবিরম্বা সাকোক থিরেন অথোইবা পুয়া লাইরিকনি। অদুবু অৱাবদি মতম ইচেলগী মনুংদা লাইনিং লিচৎকী অকনবা শাফু কয়া থেংনখিবনা মীতৈ লৈপাক অসিদা **"লাই খুনদিন লাল্লুপ অমসুং চরাওবা"** থৌরম অনী অসিবু তোঙান-তোঙানবা মতমগী য়ুম্ফমদা পাংথোক্লবা থেংনজরে। তোঙানবা মতমগী য়ুম্ফম খেন্না পাঙথোক্লিবা চৈরাওবশিংগী মনুংদা, থাচৎ অমসুং নুমিৎ চৈথা চৈরাওবা, অনী অসিগী মতাংদা খজিক্তং পূন্না খন্নমিন্নবগী কানবদু লৈগদরা খল্লি। মখা তানা নৈনমিন্নসি - লেংলি পাল্লিবা পূন্নমক অসি মতমনা পুরকই, মতমনা চাওখৎহল্লি, মতমনা ময়েং তাহল্লি, মতমনা হিংহল্লি, মতমনা পুন্সিনি, মতমনা পুখি, মফমদা চঙখি। মসিদগী খঙবা ঙম্মে মতম হায়বসি লাইগী ময়াইনি, লাইনি। শিং চৎপা মতম অসিদা হায়বদি মশীং থাবা হৌবা অসিদি, নুমিৎতগী থোকপনিনা, নুমিৎতি মীৎনা উবা লাইনি। নুমিৎতগী চহী পোকই, চহীনা কুম পোকই, কুম্না চিঞ্জাক পী, চিঞ্জাক্তগী তাইবঙপানবা হিংই। থাগী খোঙচৎতা শাবা চহীদি শজিবু নোংমা পানবদগী লমদা থাশু ফাওবা নুমিৎ ৩৫৪+ পুং ৬ খক্তনি অদুনা চহী অমদা নুমিৎ ৩৬৫ নি লৈগদৌবা মরম্না, নুমিৎ মপূম ৩৬৫ দগী নুমিৎ ৩৫৪ খাইদোকপা মতমদা নুমিৎ ১১ নি ৱাৎলি, ৱাৎলিবা নুমিৎ ১১ অসি থাচৎতা হাপচিনবা ঙল্লগদি চহী মপূম ফাগনি। মখা তারকপা ওইনা নুমিৎ চৈথা চৈরাওবা অসিনা করম্না মীতৈ লৈবাক্তা খুন্নাইরোইশিংনা পাঙথোক্লবগে হায়বদো মতমগী য়ূম্ফম অনীসিদগী ওইনা খরদং পঞ্জরবদা - মীতৈদি য়ূমলাই সনামহী লাৎলি য়ূমলাই সনামহীদি নুমিৎনি। মীওইবনা হিংদুনা পানবদা নুংঙাইনবা শীজিন্নরিবা অসিদি নুমিত্তগী পুরকই। মীওইবনা শীজিন্নরিবা মতমগী মপূং ফাবা মশক্তি চহী কৌই। চহী অমগী মনুংদা চান্নবা হী (অচাপোৎ) শুনা ফংই হায়দুনা মপূম ফাবা মতমবু চহী কৌবনি। চেল্লিবা মতমনা মপূম হেক ফারকপদা মতম পূন্নমক্না চহীদা তিল্লি। মরম অসিনা মীতৈনা মতমবু লাইনি হায়না নীংবদগী লাই খুন্দিন লাল্লুপ কৌই। হায়বদি চহী অমা কৌবা অদুদগী মীকুপ অমা ফাওবা চিথদ্রে হায়বনি। লাই খুন্দিন লাল্লুপ অসিদি চহীগী অরোইবা নোংয়াইদনি, নুমিৎ অসিদা মীতৈগী য়ূম্লুম খুদিংদা য়ূমলাই সনামহীদা অথেনপোৎ কৎলি। নোংঙাল্লগা অনৌবা চহীগী অহৌবা নুমিৎতা মতমবু পোকইবা সনামহীবু মীতৈনা ইরাৎ তৌই। ইরাৎ তৌরিবা নুমিৎ অসিবু চৈরাওবা কৌই। ইরাৎ থৌনিবা অসিদা লৈমরেন ইশাইফুদা ঈশিং চোন্না হাপ্তুনা ইরাৎ তৌই। মসি চহী অমা শক্লা তৌরবা ইরাৎনি। মসিবু শজিবু চৈরাওবগী লাইথৌ কৌই। চৈরাওবগী লাইথৌ অসিদি অরুবা লাইথৌনি। কোন্থোংদা চাক থাবগী লাইথৌ য়াওবা অসিনা অপাকপা মিৎয়েংনি হায়বদু তাকই। কোন্থোংদা থাববু লমলাই থাবা কৌই। মীতৈনা মফম অমসুং মতমদগী তাইবঙপান ওইরকপনি হায়বসি মুন্না খঙদুনা,ম ফম মতম অনীমকপু পূন্না লাইনি হায়না লাৎনরি। মফমগী অথিংবা লৈতনা শন্দোকখ্রিবা, মতমগী তৎনবা লৈতনা শাংথখ্রিবা, মপান পোলোয় নাইদবা অদুবু ইরাৎপনি হায়বদি তেংবানববু ইরাৎপনি, তেংবানববু ইরাৎলবদি মীতৈনা মালেমগী লেংলি পাল্লিবা খুদিংমকপু নুংশিবা ফাওই তাকপনি।



অশুক লুরবা,মতমগী ঈচেলদা খম থেংনা ৱাংলবা নুংগী ৱাঙুলোন কয়া অসিবু নিংথিজনা খোমজিন-তাশিল্লগা, মালেমগী অমতা ওইবা লৈথোন্দা, খুন্নাইচা খুদিংমক্না চিনলোক্লবগী মতম খরদং লৌমিন্নরল্লগা, থৌরমশিংসি পাঙথোকমিন্নবা তারল্লবদি মীতৈ লৈপাক্কী হিংলিবা ৱাঙুরোনসি করিনো হায়বদু মীওইবা ফুরুপকী অঙকপগী পনখৈনুদা লৈরমগদবনি।

শিংথাবদা লোইবা ঙল্লরোই, থিজিল্লুবদা তানবা ফংলরোই, মশেন-মরাং মমি খরখক্তনি, ঙসিগী মীরোন ঐখোয়না লান্বা ফংজরিবসে। মসি পূন্নমক অসিবু শুপচিনজরগা, নুং-পান অনীগী লুরবা ৱাখলশিংসিদা অথোইববু লৌখৎচদুনা, হৌখিবা অমসুং ওইরক্কদৌবা কয়াসিগী মনুংদা **'লাই খুনদিন লাল্লুপ অমসুং চৈরাওবা'** থৌরম অনী অসিবু করম্বা মতমগী য়ূম্ফমদা পাঙথোক্লরম্বগে অমসুং মসিগী নুংগী ৱাখল করিনো হায়বসি মালেম পূম্বগী ফম্বাক্তা থাংগৎচদুনা **'লাইওইখ্রবা লাইপোক লাইনিংহল ইবুঙো ফুলো (ফুন্দ্রে)'** না শীজিন্নবিরম্বা, **তেংবানবা অমসুং তাইবঙপানবা** হৌরকফম তাক্লিবা মালেমগী অথোইবা পুয়া **'সাকোক থিরেন'** গী মতুংইন্না খরদং পাউদমজগে।

লাইনিংথৌ সোরারেননা লাইয়ামগা লোয়ননা নোংমাইজিং চীংদোন য়ান্থরগা ইপাক ফুনজিন্দুনা শেল্লবা মতুংদা লৈতা খুন্দাহন্নবা, পোইরৈ মীতৈ সনালৈবাকসিনা মালেমদা ইহান-হান্না শেমখি হায়বসি **'সাকোক থিরেন'** অথোইবা পুয়াদা ময়েক শেংনা পল্লমই। লাইনিংহল ইবুঙোনা অচেৎপা লেংদ্রবা ৱানি হায়না তাকপীরি। নৌনা শেল্লিবা লৈবাক অমসুং কৌব্রু অনীসি, লাইনিংথৌ সোরারেননা শুপ্পা নিংথৌরেন ওইদুনা পাল্লমই। ইপুরোইগী হুমাং মরিক কোনদগী শরোই মরুপ চোঙথোকখিবদু কৌব্রুগী লোকচপ্তা খুন্দাহনখি। মপাঙ্গল কনখৎলক্লবা মতমদা লাইয়ামগী মথক্তা অকনবা লান তারকখি। লাইয়ামশিংনা থৌনিজরবদা ইপুরোইনা নোংশা অমগী মশক লৌরদুনা চোঙথোরক্লগা, শারোই পূন্নমক হাৎখি। 'শারোই তোম্বী' কৌবী শরোই চনু অমতংদি সোরারেনগী মরুমদা লোৎহৌদুনা কনবিখি অমসুং সোরারেনগী লৈমতোম্বী ওইনা পান্নদুনা 'হাও' গী শাগৈ শন্দোকখি। মতাং অসিদা শেংদোকচনীংবা অমনা ননাই ঐনা 'হাও' হায়না পঞ্জরিবা অসি পুয়াগী মতুংইন্না পঞ্জবনি, তৌবদদি ৱাহৈ অসিনা লাকখিবসি হৌ-হৌ হায়নবদগী হাও হায়না লোন্থৈ লাকখিবনি, লাইয়াম্না থোনখিবা মিংথোননি হায়না থেংনজৈ, মখা তারকপদা শরোইশিংনা মমংচৎতা তারম্বা কৌব্রু লোকচপ্তা খুন্দাহনখি। লোয়ালাকপা পাঙ্গনবনা হাও অমসুং লাই পূন্নমক কৌখৎতুনা কংলা য়াইবুংদা লাই অমসুং হাও অনীগী নুংশি চান্নবা খুন্দামিন্নবগী অচৌবা খুন্দিন অমা ফমখি। লাইগা হাওগা পূন্না তিন্নখিবা নুমিৎ অদুবু লাই খুনদিন লাল্লুপ হায়না খঙনখি। লোইয়ালাকপা পাঙ্গনবনা তৌখিবা চৈরাপ ৱায়েন অদো মথংগী নুমিৎতা হায়বদি, নোংঙাল্লগা লাউথোকখি হায়দুনা লাই খুন্দিন লাল্লুপকী মথংগী নুমিৎ অদুবু চৈরাওবা হায়না খঙনখি। ঐখোয়না শজিবু চৈরাওবা হায়রিবসিগী মমাঙগী নুমিৎ লাই খুন্দিন লাল্লুপ ওইখিবসি মতমগী ইচেলগী মনুংদা পুশিল্লক্তুনা কুমজা ১৯৩০ এপ্রিল চৈথা ১২ শজিবু, থাংজ নুমিৎকী য়াইফরবা পুংফমদা লাইগা হাওগা লমখৈ শেংনখিবগী তং তানখিবা নুমিৎ অসিদা ইপা-ইপুগী খুভমদা হঞ্জিন্নবগী ৱাশক-ৱারেপ লৌখি। মথংগী নুমিৎ নোংমাইজিং, চৈথা ১৩, শজিবু চৈরাওবা হায়দুনা থাবুং নুমিৎ অসিদা **'অপোকপা মরুপ'** কৌবা ইপা ইপুনা চৎনরম্বা য়েলহৌঙৈগী লাইনীং লোন অদু লাইনিংহল ইবুঙোনা শাফোংখি অমসুং শজিবু চৈরাওবা নুমিৎ অসিদা অপোকপা চহীরোন কৌবা চৈথাবা অমসুং কুম্বাবা হৌখি। লেপ্তুনা চৎলিবা মতম কৌবা খোঙচৎতা মফম অমদা চুক অমা থাদুনা মদুগী মতুং মমাঙ মতম খঙনবা চৈথাবনি অমসুং কুম্বাবনি । নুমিৎকী অকোয়বদা মালেমগী খোঙচৎনা চৈথাবা হৌখিবা মতম অদুদা মপূং ফারে, হঞ্জিল্লকপবু চহী অমা ওইরে হায়না লৌবগা লোয়ননা চহীরোন কুম্বাবা হায়নরিবসিনি।

য়েলহৌঙৈদা লাই হাওগী হাক্তক্তা মতম কুইনা লমখৈগী চয়েৎনবা লৈরল্লবসু লোয়ালাকপা পাঙ্গনবনা লমগী ৱায়েন তৌদুনা তেনখিবা নুমিৎ অদুনা চহীগী মপূং ফাবা নুমিৎ ওইনা লৌরগা চয়েৎননা লৈরম্বা খুদিংমক কোকপা নুমিৎনি হায়না লৌরদুনা লাইনীংহল ইবুংঙোনা মচা মনাইশিংগা লোয়ননা ইপা ইপু খুভমদা হঞ্জিনবগী ৱারেপ লৌখি। লাই খুন্দিন নোংঙাল্লগা চয়োনগী আনবা নোংমাইজিং ওইবগা, থাজৎকী থাবুং নুমিৎসু থোকপা, নুমিৎসিদা অপোকপা চহীরোনগী অহানবা নুমিৎ চৈথাবা হৌখিবনি। মথংগী চহীগী লাইখুন্দিন লাল্লুপ থোকপা নুমিৎতা চহী অমা মপূং ফাদুনা, মথংগী থংনবা নুমিৎতা অনৌবা চহীরোন অনী চঙলে হায়না অপোকপা চহীরোন চৈথারকপনা ঙসিদি অপোকপা চহীরোন ৮৭ মপূং ফারে। অনৌবা চহী চঙলকপগী অনৌ অপেন চাদুনা চৈরাওবগী থৌরম অসি অপোকপা চহীরোন ৮৮ চঙকপগী অহানবা নুমিৎ চৈথাবা ইংরাজী চৈথা ১৪ ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকচগনি।

অপানলোন (Astrology) K.P. System গী K.P. Stellar Astrological Research Institute, Chennai গী Software গী Calculation গী মতুংইন্না লাইনিংহন ইবুংঙোনা তাকপীরম্বা নুমিৎ চৈথা ১৩ এপ্রিল ১৯৩০ কুমজাগী Fixed Zodiac কী য়াও (Aries) রাশিগী য়ুম্ফম, (house) $00^0$ দা নুমিৎনা চঙলকপা হায়বদি মালেম্না য়াও (Aries) রাশিদগী $00^0$ দগী হৌদুনা $360^0$ (Complete) মপুং ফাদুনা চহী অমা ফারগা য়াও (Aries), রাশিদা অমুক চঙলক্তুনা $00^0$ হঞ্জিল্লগা অনৌবা চহী, মালেমগী খোঙচৎ অমুক নৌহৌননা হৌবা নুমিৎনি হায়না তাকই। Astrologer শিংনা শীজিন্নবা planetary position তাকপা Ephemeris তা অদুম য়াওই। Sayana অমসুং Nirayana system লোয়ননা Ayanamsa গা কোন্নরবা Scientifically Accurate ওইরবা Certified KP Astrology Software অসিনা লাক্লিবা ইং চৈথা ১৪, এপ্রিল থাগী চহী ২০১৭ কী পুং ১ মিনিট ৫০ সেকেন্দ ৩২ অয়ূক্কী মতমদা হায়রিবা মালেম্না কোয়রুরগা চহী মপূং ফাদুনা অমুক $00^0$ দগী য়াও (Aries) রাশিদগী অমুক নৌহৌননা খোঙশানবা মতম থোকই।

অসুম্না Ephemeris কী মতুং ইন্না Planetary position মতুংইন্না পীরিবা মতমসি লাইনিংহল ইবুংঙোনা তাকপীরম্বা চৈরাওবগী নোংমা মমাঙনা লাই খুন্দিন লাল্লুপ অদুগা মথং নুমিৎতা চৈরাওবগী য়াইফরবা পুংফম ওইরিবা অসি মীতৈ ঐখোয়গী য়াম্না মরুওইরবা অনৌবা চহীগী অপোকপা মপূদা থৌনিজরবদা অফবা য়াইফবা ওইজগদৌবা, নীংজবা পূক্নিং থুংজগদবা ওইহনবীবগীদমক অশেংবা অমসুং অরেপ্পা মতমবু ইকায় খুম্নরবা Astrologer অমসুং অখঙ অহৈ Scholar শিংনা Calendar শিংদসু ফোঙদোকপীরবদি মীতৈচা ফুরুপ ঐখোয়গী য়াইফবা পুন্সি নুংশাংবা, মিংচৎ মিংফাও মীথোই মীহেনবা ওইবা ঙমগনি হায়বসি পূন্নমক্কী মফমদা ননাইনা থাজবা থমজরি।

**ৱারেং অসিদা শীজিন্নখিবা লাইরিকশিং ঃ-**

১) সাকোক থিরেন- লাইনীংহল ইবুংঙো নাওরিয়া ফুলো।

২) লাই খুনদিন লাল্লুপ - তখেল্লম্বম বোকুল মীতৈ।

৩) লাই খুনদিন লাল্লুপ অমসুং চৈরাওবা - নাওরিয়া অমুসনা।

৪) KP System - মোইরেমজম ৱারেংসনা Jyotish Samarat.

# শজিবু চৈরাওবা

সিনাম লুখোয় মৈতৈ

য়াইরিপোক বিষ্ণুনহা ময়ায়

***শজিবুগী*** নোংমা পানবা চৈরাওববু নুমিৎ শুই শুদে হায়দুনা য়ানীংদবশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি। করিগুম্বদা ইংরাজিগী অমদি বেঙ্গোললোমগী থা শুবদনা নুমিৎ ৩০, ৩০ না শারল্লগা মীতৈগী থাজত্তনা হৌজিক থা শারিবা নুমিৎ ২৮ দগীনা ২৯/৩০ না থা শারিবা অসি অসুম ওইবদা মীতৈনা হিন্দু শাবশিংসিনা লৈখৎলক্কদৌবা কোক অদু খল্লুবদা মমই।

পাউচে অসিমক্কী এপ্রিল ৫ দা য়াওখিবা শজিবু চৈরাওবা হায়না মিং থোনবা আর্টিকলদা নোংমা পানবা চৈরাওবা অসি নুমিৎ ৩৬৫ শুদে, নুমিৎ ৩৫৪ খক্তনি হায়না ইবিরকপা থেংনজরে। মসিমক্না অনৌবা অহানবা নত্তে। মমাঙ চহী কয়াদা মতম অসুৱাইদা লমতা থা লোইশিল্লকপা শজিবু পানখৎলমদাই, পানখৎলকপা অদুৱাইদা য়েৎনা ৱাহৈ অসি মৈতৈ নাৎ চৎচবশিংদা, মীতৈনা হিন্দু শাবশিংসিনা হেক হেক কাইহৌবা অসি থোক্তুনা লৈরবনি।

খঙজিনবীগদবা অমনা নুমিৎ ৩৬৫ অসিনা সোলর সিষ্টেমনি। নুমিৎ ৩৫৪ অসিনা লুনর সিষ্টেমনি। মীতৈ ঐখোয়দি লুনর সিষ্টেমদা থৌরম খুদিংমক পাঙথোকপনি। চহী শাবা অসি নুমিৎ ৩০ নিনা থা অমনি, থা ১২ না চহী অমনি। শজিবুগী নোংমা পানবদগী থিরগা লমতাগী থাশিদা থা ১২ মপূং ফারে, চহী অমা মপূং ফারে। মরম অদুনা শজিবুগী নোংমা পানবদগী অনৌবা চহী অমা হৌরবনি। মসিবু চহী হৌবা চৈরাওবনি মীতৈ ঐখোয়গী। মীতৈনা হিন্দু শাবশিংগী চড়ক পুজাদা চৈরাওবনি হায়দুনা লাইনিংথৌদা অথেনপোৎকা কাশিল্লগা নুমিৎ মান্নরুবনিকা হায়রিবা অসিদি হায়জিনবনি। থবান অরেপ্পা লৈতবা চড়ক পুজা নুমিৎতা, মীতৈনা হিন্দু ওইরিবনি হায়বশিংনা চৈরাওরিবনি হায়দুনা পাঙথোক্লিবা থৌরমগা নোংমতসু খেন্নখিবা লৈত্রি। নুমিৎ মান্নজরুবগী ৱানি হায়রগদি অয়াম্বা মতমদা নুমিৎ মান্নরবসু অমুক্তা ওইরবসু চহী খরগী মনুংদা চড়ক পুজাগা মীতৈনা হিন্দু ওইরিবশিংনা চৈরাওবগা খেন্নফম থোকই। মরমদি ঐখোয়গী লৈবাক্কা মপান লৈবাক্কা নুমিৎ থোকপা-তাবা মান্নদে। মতম খরা খরা খেন্নৈ।

খুদম ঃ চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১০ দা বেঙ্গোললোমদা ইরাই নুমিৎতা ১৪/১৫ পূন্না পাল্লি। মীতৈ লৈবাক অসিদা ফেব্রুৱারী ১১ দা থাংজ নুমিৎতা ১৫/১৬ পূন্না পাল্লি। মসিদি ঐখোয়গী লমগা মপান লমগা নুমিৎ থোকপা তাবা খেন্নবনা থোকপনি। মতৌ অসুম তৌদুনা চড়ক পুজা নুমিৎতা লৈবাক অসিগী চৎনবীসু নত্তনা, মীতৈ হিন্দু শাবশিংনা চৈরাওবা থৌরম পাঙথোক্লগা নুমিৎ মান্নজরুবগী ৱানি হায়রিবা অসি হায়জিনবনি।

তাং ১৪/৪/১৯৮৩ কুমজাদা শজিবুগী নোংমা পানবদা চড়ক পুজা তাদুনা মৈতৈসু, মীতৈসু হিন্দু শাবশিংসু পূন্না চৈরাওবা থৌরম পাঙথোকই। মতমদুদা মীতৈ হিন্দু শাবশিংনা ৱা ঙাঙখিদে। মথৎ তাং ১৪/৪/২০১০ কুমজাদা শজিবুগী থাশি নুমিৎতা চড়ক পুজা তাদুনা মীতৈ হিন্দু শাবশিং চৈরাওখি। মসিদা কায়রিবদি চৈরাওবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ নি চৎথরগা কোংবা লৈথোং ফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবা থৌরম তৌববু শজিবুগী থাশিদা চৈরাওবা মসিনবু তৌবা চুমই হায়রগদি শজিবুগী থাশিদা চৈরাওরবনিনা নুমিৎ ৭ নি চৎথরবদি কালেনগী ৬ নি পানবদা তাররে অদুদি কোংবা লৈথোং ফাৎপা কালেন লৈখুন ফুনবা হায়না চৈরাওবগী মশিল তৌফম থোকপ্রা?

মখা তানা চড়ক পুজাগা মীতৈ চৈরাওবা, চহী হৌবগা মরী শুকলৈ লৈনদে। বঙ্গালি চড়ক পুজাদি মখোয়গী চহী হৌবসু নত্তে। শুকনৎ নত্তে। মমাঙগী অরিবা চহীগী অরোইবা থৌরমগী পালন পাঙথোকচবনি।

অদুগা আর্টিকল অদুবু ইবিরিবগী ইমুংদা কুমসি চহীগী শজিবুগী নোংমা পানবা মীতৈ চৈরাওবা নুমিৎ অসিদা মী অমা শিরে হায়না লৌরসি। মসিদা মথংগী শজিবুগী নোংমা পানবা মীতৈ চৈরাওবা নুমিৎ অদুদা কুমওন ফিরোই শোল্লোইদ্রা নুমিৎ শুদ্রি হায়দুনা?

আর্টিকল অদুবু ইবিখিবনা হিন্দুগী করম করম্বা থৌরমদা নুমিৎ ৩৬৫ নি শুনা থৌরম তৌরিবগে? কৃষ্ণ জন্ম, রাধা জন্ম, বামোন জন্ম, দুর্গা পুজা, ভ্রাতৃদ্বিতয়ো (নিঙোল চাক্কৌবা) নুমিৎ ৩৬৫ নি শুব্রা? নুমিৎ শুদে হায়দুনা হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবদা নিঙোলশিং চাক্কৌদব্রা?

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৮

১। "বসন্তগী সন্ধ্যা য়াচংবা কালনি। ... ইম্ফাল তুরেলগী মপান্দনি। অথাপ্পদা শুগুনু হিগারুবা কনানা... তরেৎশুবা খোন্থাংনা... লাউরি।" পরেংশিংসি করম্বা অরিবা উপন্যাসকী অহৌবা পরেংশিংনো?

২। "ইপাকসিদগী কোঙ্গোল পূন্নমক তাকখ্রবদি/লাই অসিগী মমল কনানা হুল্লগনি।" ৱাহৈশিংসি কবি কনানা হায়বনো?

৩। "নঙ লাক্কনু শকুন্তলা/থম্মোয়গী পল ৱাংমা লান্না/ ... /পীক্লবা চীংলৈবাকসিগী চনুরাশিংগী থম্মোয়দা।" অইবী অমগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৪। হিন্দিগী 'দেবলোক' মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫। 'মতম ঈশৈ অমদি ঐহাক' কনানা ইবনো?

ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।